**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-08-2025)**

**অঙাং (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মমা-মপানা নৌনা হুন্দোক্লম্বা পীক্লিবা অঙাংশিংবু নিংথিনা য়োক্তুনা মখোয়গী মপুং ফাবা পুন্সি ফংনবা হোৎনরি। থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা অসিগুম্বা অঙাংশিং অসিবু রিহেবিলিটেসন তৌবিবা অমদি খুন্নাইদা মপুং ফাবা মীওই অমা ওইহনবা হায়বসিসু অমনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালনা রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-অনা অরাম্বমনা হায়-হৌখিবা চহি ২৫ রোম অসিদা রাজ্য অসিদা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং য়াওনা পীক্লিবা অঙাং মখোয়গী মমা-মপাশিংনা হুন্দোকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। হায়রিবা চহি অসিদা রাজ্য অসিগী ওইনা অঙাং ১৪৬ এদোপসন তৌখ্রে।

মহাকা হায়-রাজ্য সরকারনা খনগৎলবা হোস্পিতাল অমদি লন্নাই চিলদ্রেন হোমশিংদা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংশিং থমনবা ক্রেদলশিং হাংদোক্তুনা থল্লি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা অঙাংশিং মফম চাদনা হুন্দোকপগী মহুৎতা হায়রিবা ক্রেদলশিং অসিদা থমনবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। মসিদা অঙাং অদুগী পুন্সি কনবা ঙম্বগা লোয়ননা মখোয়দা মপুং ফাবা মীওই অমা ওইনা হিংনবগী তাঞ্জা পীরি।

অমরোমদা, পীক্লিবা অঙাংশিং মখোয় মখোয়গী মমা-মপাশিংনা ক্রেদলদা নত্তদুনা অতৈ মফম চাদবদা হুন্দোক্লম্বা থোক্লবদি আইনগী মীৎয়েংদা দন্দি ফংনিংঙাই ওই। অঙাং অদগী পুন্সি মাঙলসনু হায়বগী ৱাখল্লোন্দদা মফম চাদনা হুন্দোক্লম্বা তারবদি হুন্দোক্লল্লিবা মীওই অদুগী মথক্তা আইনগী ওইবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা এদভোকেট-কিষন কৈশামনা হায়-

**এনপিপি (এল)ঃ** নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) মনিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট-য়ুমাম জয়কুমারনা হায়রি-মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা লমদম অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং মশক খঙদোকপা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা পাঙথোকখিবা দলগী চহিগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম অমসুং ইগজ্কিটিব কমিতিগী মীফমগী তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জয়কুমারনা হায়-রাজ্য অসিদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শেম্বা হায়বসি শান্তি হনজিলহন্নবগী রোড মেপ অমা পুথোকপগা লোয়ননা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমা হান্না পুথোক্কদবনি।

**সোনামনি (এল)ঃ** এলাংবম সোনামনিগী চহি ১০০ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা 'লেগেসি ওফ এলাংবম সোনামনি' হায়না মিংথোনবা ইগজিবিসন অমসু হৌদোকখি। এলাংবম সোনামনিনা ইরম্বা লাইশোল-ঈশৈগী লাইরিক ফোংবা, মহাক্কী মরমদা মেমোরিএল লেকচর পীবা অমদি সাহিত্য একাডমী ন্যু দিল্লিনা পুথোকপা অমদি অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা দিরেক্সন পীবা এলাংবম সোনামনি হায়না মিংথোনবা দোকুমেন্টরি ফিল্ম উৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**অগুই (এল)ঃ** লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ঙসি খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা পোৎ-চৈ পুরকপা রেলগাড়ি অমনা খাল্লমদাইদা মদুদা কাখৎনবা হোৎনরুবা শিন ম্নী অমা শোয়দুনা রেল তালিদা নান্থরকপদগী মখোঙদা শোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং ১১ মিনিট ৪০ অদুৱাইদা হার অমদি সিমেন্ট পুরকপা রেলগাড়ি অদুদা কাখৎনবা হোৎনরুবদা নান্থরক্তুনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপা মীওই অদু খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা লৈবা অসাম রেজিমেন্টতা ফার্ষ্ট এদ পীরবা মতুংদা লায়েংনবগীদমক ইম্ফালদা

পুরকখ্রে হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা নুমিৎ নিনিগী গুজরাট খোঙচৎতা মহাকা অহমেদবাদতা লুপা কোতি লিশিং ৫,৪০০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অদু শঙ্গারবা তুংদা শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংগনি।

মহাকা অহমেদবাদকী হনসালপুরদা লৈবাক ১০০ রোমদা থাদোক্কদবা বেটরি ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল অমসুং হাইব্রিদ বেটরি ইলেক্তোটশিংসু পুথোকপা হৌহনগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১,৪০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্টশিংসু জাতিগী মীয়ামদা শিন্নগনি অমসুং বিরামগম-খুদার-রামপুরা লম্বী পাকথোকপগী থবকসু হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিনা অহমেদবাদ-মেহসনা-কোলানপুর লম্বীগী লেন্দ তরুক্কী লম্বী শেমগৎপগী যাত্রাসু হুনগনি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি দিল্লি বিধান সভাদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা ওল ইন্দিয়া স্পিকরস কনফরেন্স হৌদোকখ্রে।

সেন্ত্রেল লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ইহান হানবা ভারতকী স্পিকর ওইনা বিথলভাই পতেলবু খনখিবগী চহি চাম্মা শুরকপগা মরী লৈননা মীফম অদু পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-নীংতম্লবা মতুংদা লৈবাক অসিবু গনতন্ত্রিক ওইবা মওংদা সাসন তৌবা অসি লৈবাক অসিগী নীংতম্বগা মান্ননা মরুওই। মহাকা হায়-বিথলভাই পতেলনা ভারতকী ৱাখল্লোনদা যুম্ফম ওইদুনা লৈবাক অসিবু গনতন্ত্রিক ওইবা মওংদা চল্লাইনবগী যুম্ফম থোল্লম্মী। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী সংসদকী সভা অমদি বিধান সভা অসি নিতি নিয়ম চুমা চত্থহন্নবা

হোৎনবা হায়বসি সদস্য খুদিংমক্কী দায়ত্বনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্‌না হায়-সদস্যশিংনা মখোয়দা কান্নগদবা কয়া মীফম অসিদগী খঙহৌবা ঙমগনি। মহাকা হায়-পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিশিং অসি য়ামমক মরুওই অমসুং মখোয়শিং অসিনা মথৌ নিংথিনা তৌদ্রবদি গনন্ত্রগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকপা য়াই।

থৌরমদুদা দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-ভি.কে. সকসেনা অমসুং দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তা অমদি দিল্লি সরকারগী মন্ত্রিশিং অমসুং অতৈ শকাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** সোলিদ লিক্যুট মেনেজমেন্ট অমসুং প্লাষ্টিক বোট্টর পোলুসন অমদি ভেক্তর বোর্ন দিজিজগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাইতোন কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা জেন্দর এন্দ সোসিএল দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কমিতিনা মনিপুর রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মীৎয়েং মখাদা শিনখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা প্লাষ্টিক বোট্টরশিং নিয়ম চুমা দিসপোজ তৌনবা, মেলারিয়া অমদি দেঙ্গিনচিংবা ভেক্তর বোর্ন দিজিজশিংদগী ঙাকথোকবা অমদি সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা দ্রগ এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়, জিরিবামগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নহারোলশিংনা অওনবা পুরকই হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিছোর্স পাসন ওইনা ৱা ঙাংখিবা ডা: ললিত শর্ম্মনা দ্রগ লান্না শিজিন্নবগী অমাংবা কয়াগী মতাংদা শুগায়না পনখি। থৌরমদুদা মহৈরোই কয়ানা শরুক

য়াখি।

**পাউচে (এল)ঃ** ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী নুংথিলদা ফোংবা পাউ-চে ‘পাউনিলখোন’ না চহি ৩৫ মপুং ফারকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপ (সাল) গী ১৫ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ঙরাং কোংবা উচেকোন খুনৌদা পাঙথোকখিবা শৈরেংবশিংগী নুমিৎতা শৈরেংবা, শৈবানবা, শৈশকপা অমদি খুরাইজম ফুলো সনাথোই মনানচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

**দিআরদিওঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) না উরিষ্যাগী সমুদ্র খোঙবানদগী ময়াই ওইরপ শানবা ইন্টিগ্রেটেদ ইয়ার দিফেন্স ৱিপন্স সিষ্টেমগী চাংয়েং মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ওবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-লৈবাক অসিগী আমর্দ ফোর্সেস অমসুং উদ্যোগশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ইয়ার দিফেন্স ৱিপন্স সিষ্টেম অসি মায় পাকা চাংয়েং পাঙথোকপা ঙমহনখিবনি। ৱিপন্স সিষ্টেম অসি লৈবাক অসিনা শাজবা কুইক রিয়েক্সন সরভেস টু ইয়ার মীসাইল (য়ু.আর.এস.এ.এম), এদভান্স ভেরি সোর্ট রেঞ্জ ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম মীসাইলশিং অমসুং শক্তি লৈরবা লেজর বেজ দাইরেক্টেদ ইনর্জি ৱিপন য়াওরবা ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অমনি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ভারতনা মসিগী ইহান হানবা মী তোংবা স্পেস ফ্লাইট মীসন-গাগনয়ানগীদমক মপুং ফানা শেম শারে অমসুং মসি টেকোলোজিগী লমদা লৈবাক অসিনা খুমাং চাউশিনবা খক নত্তনা ভারতনা

মরোমদোম লেপচনবগী খোঙচৎকীসু অনৌবা পন্দুপ অমনি।

মীসন অসিদা য়াওনবগীদমক খল্লবা গাগনযাত্রি গ্রুপ কেপটেনশিং-সুভানশু সুক্লা, প্রসান্ত বালাকৃষ্ণন নায়র, অজিৎ কৃষ্ণন অমসুং অংগত প্রতাবপু তরামা ওকবগীদমক ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা তৌগদৌরিবা অসি স্পেসতা শুপগী সেটিলাইটশিং থাগৎপা নত্তে। লৈবাক অসিনা মসিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু মালেমদা উৎথোকপনি।

মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা স্পেসপু রিছার্সকী মফম অমখক ওইনা উদে, মসিবু শেল থুম, সেক্যুরিতি অমদি ইনজিগী মরুওইবা মফম অমদি হয়েংগী মীওইবগী লাইবক লেপকদৌরিবা মফম অমা ওইনা উই।

**আর্মিঃ** ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, অরজেরিয়াগীদমক হয়েং ভারত থাদোক্কনি। থা অসিগী ২৮ ফাওবগী ওইবা লৈবাক অদুগী খোঙচৎতা জেনরেল-দ্বিবেদিনা পিপলস নেসনেল আর্মি জেনরেল-সৈদ চানেগ্রীহা, লেফটনেন্ট জেনরেল-মোসতেফা স্মালি অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতকী এম্বেসেদর-ডা: স্বাতি কুলকরনি য়াওনা অরজেরিয়াগা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াগা উন্নগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা জেনরেল উপেন্দ্রনা লৈবাক অদুগী মশক নাইরবা মিলিটরি ইন্সটিট্যুসনশিংদসু চৎকনি অমসুং সাহিদশিংগী মেমোরিএলদা শ্রধাঞ্জলি কৎকনি।

**কিষনঃ** কেন্দ্রগী কোইলা মন্ত্রি-জি.কিষন রেদিনা হায়রি-কেন্দ্রনা লন্দন মেটেল একচেঞ্জগী মওংদা খোনিগী পোৎথোকশিং-লল্লোন ইতিক তৌননবগী থৌওং অমা হৌদোক্লগনি।

হায়দ্রবাদতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-সেবিগী নিয়ম মতুং ইন্না খোনিগী পোৎথোকশিং পীথোক পীশিন তৌনবগী থৌওংসু হৌদোক্লগনি।

মসিনা উদ্যোগশিং, করবারৱালাশিং অমদি অতৈ মরী লৈনবা মীওইশিংদা কান্নবা ফংহনগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা কোইলা অমসুং শুংদোক্ত্রিবা য়োৎ পুথোকপগী চাং হেনগৎন্নবসু তৌরগনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) না হায়রি-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

রাজস্থান অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী মফম কয়াদা কা হেন্না কনবা মওংদা নোং চুরবা য়াবগী ফিভম লৈবদগী আই.এম.দিনা রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

নোংপোক থংবা মধ্য প্রদেস, গুজরাট, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, পঞ্জাব, উত্তরাখন্দনচিংবা মফম কয়াদসু অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

জম্মু কাশ্মিরগী জম্মুগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং তুংশিনদুনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

মফম কয়াদা চীং নিংখায়বা, ঈশিং ঈচাওনচিংবা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী মীয়ামনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ওথোরিতিনা খঙহনখ্রে।

বিহারদা তুরেল কয়াগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপদগী নালান্দা, জেহানবাদ অমসুং গয়া জিলাশিংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি।

**ত্রিপুরা এনই ঃ** নুমিৎ মঙানি চশুগদবা নোর্থ ইষ্ট এন.এস.এস ফেষ্টিভেল ত্রিপুরাগী কোনুং আগরতালাদা পাঙথোক্লি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ঙরাং ৱা ঙাংলদুনা ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা হায়- কেন্দ্র সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদম চাওখৎহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। প্রধান মন্ত্রিনা হাইৱে, ইন্তরনেট, রেলৱেজ, এয়ারৱে-হিরা মোদেল হৌদোক্তুনা লমদম অসিদা কন্নেক্তিভিতিগী লমদা খুমাং চাওশিনবা

ঙমলে। ডাঃ সাহানা হায়- গুৱাহাতি নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী অতৈ মফমশিংদা রেলৱেজগী লিঙ্কশিং লৈরমদবা অদু হৌজিক্তি শিংথানিঙাই ওইনা খুমাং চাওশিনবা ঙমলে।

উরান স্কিমগী মখাদা নোংথক্কী লম্বীগী ফিভমসু হেন্না ফগৎলক্লি। লমদম অসিদা নেসনেল হাইৱে ৬ লৈদুনা কাংফালগী লম্বীগী ফিভম ফগৎলক্লি। লমদম অসিগী নহাশিংদা মরৈবাক নীংবা, মচিন মনাউ ওইবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেলহন্নবগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নহাশিংনা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙল্লবতদা লৈবাক অসি মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি।

নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ফিষ্টেভেল অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ গী নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎলি।

**অম্ফাঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না রেফ্রিস অপগ্রেদেসন কোর্স পাঙথোক্লগনি। অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লেবেল সভেন অমদি লেবেল সিক্সকী ওইনা রেফ্রিস অপগ্রেদেসন কোর্স মথং থাগী ২৮ দগী হৌদুনা লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী তঙাইফদবশিং গুল ফোমদা সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্কদবনি। তঙাইফদবশিং খঙনিংবা লৈরবদি অম্ফাগী হেদ রেফ্রি- পি.ঐচ. লাম্থোইবদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

**গংগুলিঃ** হান্নগী ভারতকী কেপটেন-সৌরফ গংগুলি, এস.এ. টোইন্তি-২০২৬ কী প্রিতোরিয়া কেপিটেলসকী হেদ কোর্চ ওইনা খল্লে। হৌখিবা চহি ২০০৮ তগী ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোথরবা গংগুলিনা বি.সি.সি.আইগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বতা নত্তনা হৌজিক হৌজিক মহাক আই.সি.সি. মেন্স ক্রিকেট কমিতিগী চেয়ার ওইনা পুরি।